# য়ু পিগী সহারানপুরদা কাংলুপকী ঈরাং থোকপদগী ২ শিরে, ১৮ শোক্লে, কার্ফিয়ু থমজিনখ্রে



***লক্ষনৌ, জুলাই ২৬ঃ*** উট্টর প্রদেশকী সহারানপুর দিষ্ট্রিক্তা ঙসি কাংলুপ অনিগী মরক্তা হিংশা থোকখ্রে। ঈরাং নংলবা মফম অদুদা মতম কক্তনা কার্ফিয়ু থমজিনখ্রে।

কাংলূপ ২ গী মরক্তা লমগী মতাংদা য়েৎনবা লৈবদগী হৌরকখিবা হিংশাগী থৌদোক্তা মীওই ২ লৈখিদ্রে। অদুগা ১৮ না শোকহনখ্রে। লোয়ননা পুলিস পার্সোনেল ৫সু অশোক অপন নংখ্রে হায়রি।

থৌদোক অদু ঙসি সহারানপুর দিষ্ট্রিক্কী কুটুপ সেহর লমদমদা মীওই কাংলুপ ২গী মরক্তা লমগী চয়েৎনবা থোকপদগী হিংশাগী থৌদোক অদু থোক্লকখিবনি। সহারানপুরগী কম্মীসনার টনবির জফার অলিনা ফোঙদোরকখিবদা কাংলুপ ২গী হিংশা অদুদা নোংমৈ কাপ্পরকপদগী পুলিস পার্সোনেল ৫ শোকখি।

মখোয় অরুবা ফিভমদা পী জি আই দা লায়কন্নরি। ঈরাং অদুনা মরম ওইরগা লমদম অদুদা লৈবা দুকান অমসুং গাড়ি ১৮ হেন্না মৈ থাদোকখ্রে।

সহারানপুরগী দি আই জি এন রবিন্দ্রনা ফোঙদোরকখিবদা লাই খুরুমফম অমগা মরি লৈনবা মফমদা লৈবা লম মচেৎ অমা মুন্নবগী ৱাহৌদা কাংলুপ অনিগী মরক্তা খুৎ থোক্লবা হৌরকখি।

অতোপ্পা মীওই কাংবু অমনা হায়রিবা লম অদুগা তাইনবা মফমশিংদা ৱাল খাগৎলকপগা লোয়ননা য়ুমশিং শাগৎলকখি। মদুদা অতোপ্পা কাংবু অমনা য়ানিংদবা ফোঙদোক্তুনা ঈরাং হৌরকখি।

নাকল অনিগী মরক্তা লাওনদুনা খৎন চৈনবা হৌরকপগা লোয়ননা নুং লংশিন্নরকখি। দিষ্ট্রিক্ট পুলিসনা খুৎ থোক্লরিবা মীয়ামশিং অদু তানখাইনবা অকনবা থবক লৌখৎপগা লোয়ননা রব্বর বুলেটনচিংবা কাপখি।

লমদম অদুদা উংখৎনবগী চাং ৱাংনা লৈবা অদু য়েংলগা দিষ্ট্রিক্ট এদমিনিষ্ট্রেসননা সি আর পি সি গী ধারা ১৪৪ গী মখাদা অথিংবা থমজিনখ্রে।

লমদম অদুদা লো এন্দ ওর্দর ঙাক্লনবগীদমক অহেনবা পেরামিলিটরি ফোর্সশিং চংশিনখ্রে।

লমদম অদুদা লৈরিবা উংখৎনবগী ফিভম অদু খন্নবগীদমক য়ু পি গী মকোক থোংবা ওফিসিয়েলশিং ঙসি নুমিদাংৱাইরম লক্ষনৌদা মীফম অমা পাংথোকখ্রে।

মীফম অদু প্রিন্সিপাল সেক্রেটরি (হোম) না চিয়ার লৌদুনা পাংথোকখি। সহারানপুর অমসুং মোরাদবাদ লমদমদা লৈরিবা উংখৎনবগী ফিভম অদু লাকশিন্নবগীদমক চিফ মিনিষ্টর অখিলেস য়াদবনা হোম দিপার্টমেন্টকী মকোক থোংবা ওফিসিয়েলশিংদা চপ চাবা থবক লৌখৎনবা খঙহনখ্রে।

চিফ মিনিষ্টর অদুনা মখা তানা খঙহনখিবদা মরি লৈনবা দিষ্ট্রিক্ট ওথোরিটিশিংনা পন্থবা তৌদনা কাংলুপকী ঈরাং অদু লাকশিন্নবা খঙহনখ্রে।

ষ্টেট অদুগী চিফ সেক্রেটরি অলোক রঞ্জনন‍া ফোঙদোরকখিবদা, পুলিস ষ্টেসন ৩ না কোনবা মফমশিংদা কার্ফিয়ু থমজিনখ্রে। মদু লমদম অদুদা আইন থুগাইরক্তনবা লৌখৎপা খোঙথাংনি। লোয়ননা দিষ্ট্রিক্ট এদমিনিষ্ট্রেসনন‍া শান্তি থুগাইহল্লকপা য়াবা থবক থৌরম পুম্নমক লাকশিন্নবসু খঙহনখ্রে হায়রি। চৈরকসিদা মোরাদবাদ বি জে পিনা সিট ইন প্রোষ্ট্রেস চথদুনা মোরাদবাদ এস এস পি ধরমবির য়াদবকী মথক্তা এফ আই আর লৌখৎনবা তকশিল্লক্লি।

# অরুনাচলগী দিষ্ট্রিক্ট ৩দা দিষ্টার্ব এরিয়া এক্ট শাংদোকখ্রে



***ইটানগর, জুলাই ২৬ঃ*** অরুনাচল প্রদেশকী ঈরাং লৈরিবা দিষ্ট্রিক্ট ৩দা মখা তানা দিষ্টার্ব এরিয়া এক্ট থা ৬ শাংদোকহনখ্রে হায়না য়ুনিয়ন হোম মিনিষ্ট্রিদা খঙহনখ্রে। অরুনাচল প্রদেশকী নোংচুপ থংবা দিষ্ট্রিক্ট তিরাপ, চংলাং অমসুং লোংদিংদা দিষ্টার্ব এরিয়া ষ্টেটস এক্ট অদু মখা তানা থল্লে হায়না লাওথোকখ্রে হায়না অরুনাচলগী হোম মিনিষ্টরনা ফোঙদোকখ্রে। বি জে পিগী এম এল এ ৱাংলম শাৱিননা হংলকখিবা ৱাহং অমগী পাউখুমদা মিনিষ্ট্রি, অদুনা হায়খিবদা পুলিস পার্সোনেল মথৌ নিংথিনা তৌদে হায়বা য়াখিদে। হায়রিবা লমদমশিং অদুদা সি আর পি এফকী কম্পেনি ৪, অসাম রাইফল অমসুং ইন্দিয়ান রিজার্ব বাটালিয়ানগী কম্পেনি ৩ থমদুনা লো এন্দ ওর্দর ঙাক্লবা থবক লৌখৎলি। হৌজিক হৌজিক টিরাপ দিষ্ট্রিক্টতা পুলিস ষ্টেসন ৬ লৈ। ষ্টেসন অমমমদা ইন্সপেক্টর ৪, সব ইন্সপেক্টর ৭, এসিষ্টেন্ট সব ইন্সপেক্টর ১, হেদ কন্সটেবল ১৭ অমসুং কন্সটেবল ২৯৭ লৈরি। মদুদা নত্তনা কোন্সা, লাজু, দিওমালি পুলিস ষ্টেসনশিং মথৌ তৌরি। মদুগীদমক ষ্টেট সরকারনা লুপা লাখ ৪৫.৭০ খরচ তৌরি হায়না অরুনাচল হোম মিনিষ্টর তংগা বায়ালিংনা মখা তানা ফোঙদোরক্লি।অদুম ওইনমক ওপোজিসন লুচিংবা তামিও তাগানা হায়রিবা লমদমশিং অদুদা অনৌবা আইননা য়াদবা লুপশিংনা আইন কায়বা থবকশিং তৌরকখিবগী পাউ লৈতে। অসাম অমসুং অরুনাচল প্রদেশকী ঙমখৈ পরিংদা থোকহন্নিংদবা থৌদোকশিং থোক্লকপগী দায়ত্ব লৌগদবনি হায়খি।

# কার্গিল লানফমদা লৈখিদ্রবশিংগী মফমদা মোদি, জেটলিনা ইকায় খুম্নবা উৎখ্রে



***ন্যু দিল্লি, জুলাই ২৬ঃ*** কার্গিল লানফমদা লৈখিদ্রবশিংগী ইন্দিয়া গেটতা লৈবা অমর জৱান জয়োটি খুভমদা প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদি অমসুং দিফেন্স মিনিষ্টর অরূন জেটলিনা ঙসি ইকায় খুম্নবা উৎখ্রে।

ইকায় খুম্নবা উৎপগী থৌরম অদুদা ইন্দিয়ন আর্মিগী মকোক জেনরেল বিক্রম সিংহ, নেভীগী মকোক এদমিরেল রোবিন ধোৱান অমসুং এয়ারফোর্সগী মকোক মার্সেল অরুপ রহাসু শরুক য়াখি।

পাউমীশিংদা ৱা ঙাংলদুনা দিফেন্স মিনিষ্টরনা হায় লৈবাক অসিগী ৱার ম্যুজিয়ম অমা দরকার লৈ। মদু অথুবা মতমদা শেমগৎলগনি। লানগী নিংশিং খুভমশিংদা নত্তনা তোঙান তোঙানবা মফমশিংগীদমকসু সরকারনা খন্নরি।

লৈবাক অসিনা ৱার ম্যুজিয়ম অমা দরকার লৈরি। অথুবা মতমদা অদুগুমবা ৱাফম অদুগী তংদাংবা লাওথোক্লগনি।

পায়খৎকদবা থৌরাং অদুগীদমক সরকারগী তোঙান তোঙানবা দিপার্টমেন্টশিংদগী শেল কায়থোক্কনি। অদুম ওইনমক থবক অদু পায়খৎপদা মতম খরদি চংগনি হায়খি। থবক অদু পায়খৎপদা ফন্দ খরদি দরকার লৈগনি। মদুগীদমক সরকারনা লৌখৎপা য়াবা থবক পুম্নমক লৌখৎকনি হায়খি। মহাক্না মখা তানা ফোঙদোকখিবদা ৱার ম্যুজিয়ম অদু শাগৎনবা চপ চাবা খ্বাইদগী ফবা মফম খন্দোক্লগনি। অদুগুম্বা খনদোক্লবা মফম অদু মহাক মশামক চত্তুনা য়েংশিনগনি হায়না ফোঙদোকখি।

ইন্দিয়াগী মরু ওইবা লানফম অমা ওইখিবা কার্গিল লানফমদা লৈখিদ্রবা জৱানশিংগী মফমদা ইকায় খুম্নবা উৎপা হায়বসি তঙাইফদবনি হায়খি।

# জম্মু এন্দ কাশ্মীরগী শোপোর দিষ্ট্রিক্টতা চত্থরকখিবা টেরোরিষ্ট এটেক্তা পুলিস পার্সোনেল ১ শিরে



***শ্রীনগর, জুলাই ২৬ঃ*** জম্মু অমসুং কাশ্মীরগী শোপোর দিষ্ট্রিক্টতা ঙসি টেরোরিষ্টশিংনা গ্রেনেদ পোকখাইহন্দুনা চত্থরকখিবা এট্টেক্তা পুলিস পার্সোনেল অমা শিরে। মীচম ৪ না শোকহনখ্রে হায়রি।

লমদম অদুদা হৌরকখিবা ঈরাং অমদা মীয়াম্না পুলিসকী মায়কৈদা নুং লংশিল্লত্তুনা খুদোংচাদবা মায়োক্লরিঙৈ চৈরত্তা মিলিটেন্টশিংনা পুলিসকী মায়কৈ তম্না ঙসি অয়ুক পুং ২.৩০ রোম তাবদা গ্রেনেদ লংশিন্দুনা পোকখাইহল্লকখি।

পোকখাইবগী থৌদোক অদুদা পুন্না মীওই ৫ শোকখি। অশোকপশিংগী মরক্তা ফিভম লুনা শোকখিবা পুলিস কন্সটেবল অমা অশোকপা অদুনা মরম ওইরগা লৈখিদ্রে হায়না পুলিস ওফিসিয়েলশিংনা ফোঙদোরক্লি।

পাউ অসিগী মতুং ইন্না হৌজিক শোক্তুনা লায়কন্নরিবা মীওই ৪গী মনুংদা ২গী ফিভম লুরি। থৌদোক অদু মুস্লিমশিংগী খ্বাইদগী শেংলবা অহিংনি হায়না লৌনরিবা সবির-ঈ-কদরগী নুমিদাংদা পৃথিবীগী তোঙান তোঙানবা মফমশিংদগী লাকপা মীওই কয়ানা অহিং য়ারেত্তুনা লাইশোল থৌরম পাংথোক্লিঙৈ চৈরক্তা থোকখিবনি।

টেরোরিষ্টশিংনা এট্টেক চত্থরকপা য়াবগী পাউ ফংবনা মরম ওইরগা পুলিসনা অকনবা চেকশিন থৌরাং লৌখৎখি। পুলিস অমসুং মীয়ামগী মরক্তা ভাব তানদবদগী ঈরাং থোক্লিঙৈ চৈরক্তা গ্রেনেদ লংশিন্দুনা পোকখাইহল্লকখিবনি হায়রি।

## অচুম্বদু খঙমিন্নসি

### কংলৈপাক্কী নিংথৌশিং –৩৯

ঙরাংগী মখা...

**ভাগ্যচন্দ্র (খৃঃ ১৭৬৩ – ১৭৯৮)**

অসুম্না লেপ্তুনা লাকপনা লম্মাংদোং কৈথেল য়ৌরক্লে। মাবু মশক খঙব্রা খঙদবরা য়েংগে মপুক্লিংদা খল্লদুনা কৈথেল মনুংদা চঙলকপদা পোৎয়োনবী নুপী ময়াম্না মাবু মুন্না য়েংলগা ইবুং হাওবা নহাকপু করি খুলগী হাওবনো, নমিংনা করি কৌবগে, মৈতৈ লৈবাক্কী ইনিংথৌ ভাগ্যচন্দ্রগী চেংলৌ শক্তম মানখ্রেদা। ইনিংথৌদো, মৈতৈ লৈবাক থাদোক্তুনা মীলৈবাক্তা লাঞ্জেনখ্রে। মহাক্না অমুক্তং নিংথৌ ওইদুনা পাল্লরবদি নুংঙাইখ্রনিদকো হায়নরক্লে। পোৎয়োনবী ইমা ইবেলশিংনা মাবু নুংশিনা শোনবীবদু হায়নরক্লে। পোৎয়োনবী ইমা ইবেলশিংনা মাবু নুংশিনা শোনবীবদু তারগা ভাগ্যচন্দ্রনা পলেম মানবী ইমাখোয়, চীংদা তোংবা হাওবনি, মৈতৈ নিংথৌগা চেংলৌ শকমান্নে হায়বীগনু তৌহেদে হায়রক্লে।

মাগী মৱাহে তাবনে মশক উবদা নুংশিবনে পোৎয়োনবী ইমা ইবেলশিংনা মানা মানা য়োল্লিবা অচাপোৎশিং অদু খায়নরগা হাপ্পীরে। ভাগ্যচন্দ্রনা পোৎয়ামদু য়োমশিন্দুনা পুরগা নিংথৌখোং তান্না লাক্তুনা মাগা ৱামিন্নরকপা মনাই খুম্বোং চন্দ্রমনি নন্দলাল মচিল মনাওগী খোঙ্গুল লীরক্লে লাঞ্জেনফম থিরক্লে। মনাই অনিগী লৈফম থিবা ফংলক্ত্রবদা হনুবী লুখ্রাবীনা য়োকচবী নিংথৌখোং নিংঙোল কেশোরীগী য়ুমদা খুল লানবা হাওবা শাদুনা থুংলগা নুমিৎ মঙানি লৈরম্মী। কেশোরিনা ভাগ্যচন্দ্রগী সেবাদা মপুক্লিং চঙবদু উবদা পেল্লদুনা মাগী অশেঙবা মশক তাক্লগা নজাইবুঙো অমা ফংজরো হায়দুনা বর পীবীখি। মনাই অনিগী লৈফম থিবা খঙদ্রবদা ভাগ্যচন্দ্র ক্বাকৈথেল তান্না লাক্তুনা মাগী মরুপ কবিচন্দ্রগী ময়ুমদা চঙলক্লে। লোইবী হাওগী ফিজেৎ শেৎতুনা মশক ওহোক্লগা নুমিদাংদা শুমাংদা লেপ্পরবদা কবিচন্দ্রদু মবুঙোনি খঙদ্রে।

মথং মথং...

# য়ু পিগী হান্নগী মিনিষ্টর অমসুং মীওই ২৫গী মথক্তা কেস লৌখৎখ্রে

***অমেথি, জুলাই ২৬ঃ*** য়ু পিগী হান্নগী মিনিষ্টর অমা অমসুং মীওই ২৫গী মথক্তা নিয়মগী ৱাংমদা ফু চৈবা অমসুং লৌতুনবগী মরালদা ঙরাং এফ আই আর অমা লৌখৎখ্রে।

রাজ্য সভাগী মেম্বর সঞ্জ সিংহগী মচানুপা অনন্ট বিক্রম সিংহনা হান্নগী মিনিষ্টর অমিত সিংহ অমসুং মীওই ২৫গী মথক্তা এফ আই আর অমা থাংগৎলকখ্রে।

অমেথি পুলিস ষ্টেসনদা তোঙান তোঙানবা ইন্দিয়ান পেনাল কোর্টকী মখাদা কেস লৌখৎলে হায়না এদিস্নেল সুপ্রিন্টেন্দেন্ট মুনা লালনা ফোঙদোরক্লি।

পুলিসকী পাউ মতুং ইন্না অনন্টনা মহাক্কী হান্নগী য়ুমদা দ্রাইভরগা লোয়ননা লাকখি। মদুদা মীওই খরনা মহাক্কী দ্রাইভর অদু ফুবা হৌরকখি।

থৌদোক অদু খাম্নবা হোৎনরুবদা মহাক মশামকসু মীওইশিং অদুনা অকন অরিং শিংনরকখি। মফম অদুদা মীয়াম থোমজিন্নরকখি মদুদা অনন্টগী মচন্নুপী শবিয়ানা খৎন চৈনবগী থৌদোক থোক্লে হায়না মীয়মদা খঙহনবদগী অরানবা তৌবা মীওইশিং অদু চেনখি। থৌদোক থোকখ্রবা মতুং মরাল লৈবশিং অদুগী মথক্তা কেস লৌখৎনবা দরখাষ্ট থাখি হায়রি।


SDJM (JAIN MAHAVIR) HR. SEC. SCHOOL

Ghari Awang Opp. Oil Pump

Affiliated to Council of Hr. Secondary Education, Manipur

SPECIAL ADMISSION OPEN

for

Class (X) Compartmental Passed Student

To

Class (XI) Science - Commerce

Facilities for Science:

1. Van Service
2. Free Admission and Tuition Fees for 80% and Above
3. Tuition Fees For 1st, 2nd, 3rd Divisioners.
4. Direct Admission from 21st July, 2014.
5. Separate Hostel for Boys and Girls

SL/3457/23 to 29

GLOBAL SPOKEN ENGLISH & DOT COM COMPUTER

Govt. Regd. No. 2102

* Gourahari Market, Paona Bazar, Opp. Pratap Talkies, behind pologround
* Old Lambulane, Opp. G.P. Womenis College.

Better Education, Better Life | Projector Facilities

Learn & speak English with a good command

No. 1. Quality Based Training Institute
Choose the best, no further regrets

A SPOKEN ENGLISH COURSE + FREE 1 MONTH COMPUTER COURSE

Learn computer Internet Free

New Classes begin, enrol today.

Class only for seniors (30 yrs above) in the Evening

Highly Qualified & Long Experienced Instructors : Tejkumar, Bitam, Naobi

DIRECT ADMISSION: 2014-2015

'NO DONATION' 'LESS FEES' AND 'EASY INSTALLMENT'
Reputed Colleges in India

MEDICAL: >MBBS (Staring 20 L. + fees)
>BDS-5 Seats Only (7 L - 10 L packages)
>MDS (Depend on College)

- B. Sc. Nursing, (40,000 per yr ), GNM (20,000 per yr )
- M.Sc. Nursing (80,000 per yr ) Physiotherapy, MLT, Pharmacy, Homeopathy etc.
- B.E.: Civil, Mechanical, Computer Science, ECE, EEE Etc. (30000 - 50,000 per Sem)

Other Courses: MBA, MCA, MSc. (All branches)
BBA, BCA, B.Sc. (All branches)

★ Admission Form Will Be Available During Office Hour
6.00 a.m. to 6.00 p.m.
SUNDAY 8.00 a.m. to 4.00 p.m.

PLEASE VISIT
CAREER SOLUTION
PALACE COMPOUND, IMPHAL EAST
MAHABALI ROAD, NEAR BOAT
CONTACT NO. 8730910588 / 9856576059

FIRST TIME IN MANIPUR
→ LESAR MACHINE
→ CPM FOR (B.P. STROKE)
AT
CENTRAL PHYSIOTHERAPY CENTRE
Address : Sagolband Tera Loukham Leirak, Imphal West, Manipur

FACILITIES :
- PIVD (KHWANG NABA) (DISC PROLAPSE)
- FROZEN SHOULDER (SAYENG NABA)
- POST STROKE (PARALYSIS) (HEMI PARALYSIS)
- BELL'S PALSY (MAI CHINGBA)
- DOWN SYNDROME (CHINESE FACE)
- CEREBRAL PALSY
- GBS ( GULLIAN BERRE SYNDROME)
- FOR DETAILS :
- CONTACT : 7308749608
- OFFICE HOUR : 7AM to 7 PM